**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ২৪-০৪-২০২৪, য়ুমশকৈশ)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইখ্রে।

২) তমেংলোং, উখ্রুল অমদি তেংনৌপল জিলাশিংদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রে।

৩) ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা ঙসিদগী মহৌশাগুম পোৎ পুবা গাড়ি চেনবা হৌরে।

৪) মনিপুরদা ঙসি লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুবদগী য়ুম কৈ কয়া অমাং অতা থোকখ্রে,উ-ৱা কয়া তেকখ্রে।

**অমসুং**

৫) ই.ভি.এমদা য়াওরিবা ভোট মশিং অদুগা ভি.ভি.পেদগী পেপর স্লিপ মশিংগা পুন্না থীমিন্নবিয়ু হায়না ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা থাংগৎলকপা ৱাকৎশিংগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা পীবা রাই রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**ভোট (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইখ্রে। মীখল থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কনি।

লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি ১৩ গী লোক সভা সিট ৮৯ দা ভোট থাদনগনি।

মনিপুরগী আউটর লোক সভা কেন্দ্রগী ওইনসু অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনগনি। আউটরগী সিটতা পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা তৌনরি। মীরেশিং অদুদি-নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাইচুই তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কাঙম অর্থর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি- ডাঃ এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোন পুন্না মীরেপ মরিনা লম্বা থেংনরি।

মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎনবা হৌখ্রে। অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ অসিগী মনুংদা জিরিবাম, তেংনৌপল, ফুংয়ার, উখ্রুল, চিঙাই, কারোং, মাও, তাদুবী, তমেংলোং, নুঙবা, তিপাইমুখ অমদি থালোন য়াওরি।

অনিসুবা তাঙ্কক অসিদা অপুনবা ভোতর লাখ ৪ লিশিং ৮৪ হেনবনা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোৎ থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদসু লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগী ওইনা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং হাংদোক্কনি। তেংনৌপল জিলাদা অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৪, জিরিবামদা ১ অমসুং উখ্রুলদা ৩ পুন্না অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮ হাংদোক্কনি।

**পরসনেল(এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্তা তমেংলোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তামৈ সব-দিভিজনগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৪, তৌশেম সব-দিভিসনগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪০ অমসুং তমেংলোংগী পোল্লিং ষ্টেসন ১২ দা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং ঙসিদগী মশা মশাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা চৎনবা হৌখ্রে। হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা পুন্না ভোটর লিশিং ৭৫,৪৩৮ না ভোট থাদগনি। নুপা ভোটর মশিংনা ৩৬,৬৩৬ অদুগা নুপী ভোটরগী মশিংনা ৩৮৭৮২ নি।

তমেংলোং জিলাগী ওইনা নুপী খক্তনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন ৩৬ নি। পোল্লিং পরসনেলশিংনা চৎপা হৌগদবা ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৮ দা দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা স্ট্রোং রুম হাংদোক্তুনা ই.ভি.এম অমদি ভি.ভি.পেদশিং মরী লৈনবশিংনা খুৎশিন্নখি । নোং-চীংগী ফীভম ফত্ত্রবসু পোল্লিং পরসনেলশিং অদু সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্স অমসুং ষ্টেট পুলিসকা লোয়ননা মশা মশাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা খোংশানবা হৌখি।

উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্র অমসুং চীংঙাই বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনসু লোক সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী অহানবা বেটচকী ওইনা টিম ৫৮ ঙসি উখ্রুলগী বকসি গ্রাউন্দগী জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরনা লমথাখ্রে।

ঙসি লমথাখিবা অদুদা টিম ৩২ না চীংঙাই বিধান সভা কেন্দ্রদা অদুগা টিম ২৬ না উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌগনি। জিলা অসিগী ওইনা নুপী খক্তনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন অনি য়াওরি। উখ্রুল বিধান সভা কেন্দ্রদা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিং খক্তনা ভোট থাদগদবা পোল্লিং ষ্টেসন অহুম হাংদোক্কনি। বিধান সভা কেন্দ্র অনি অসিদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৪২ লৈবা অসিগী মনুংদা ১৭ না ক্রিতিকেল পোল্লিং ষ্টেসন হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। লেমহৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং হয়েং মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনগীদমক খোংশাল্লগনি।

**বি.জে.পি(এল) ঃ** লোক্তাক দিভলপমেন্ত ওথোরিতিগী চিয়রমেন অমসুং বি.জে.পিগী মচিন চৎপা মীশক এম. অসিনি কুমারনা হায়রি- কংগ্রেসকী মেনিফেস্তোদা য়াওরিবা এজেন্দদা লৈবাক্কী অপুনবা শক্তমদা কায়হল্লকপা য়াবা অমদি শেন্মীৎলোনদা শোকহল্লকপা কয়া লৈবনা মেনিফেস্তো অসিদা য়াওরিবা ৱাফমশিং য়ামা নুংনাংনিংঙাই ওই। মখোয়গী মেনিফেস্তোদা ৱাফমশিংদা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা য়েংথিনগদবা অমদি খেৎনবা কয়া লৈহনগদবা ৱাফম কয়া য়াওরি।

জিরিবামগী বাবু পারাদা লৈবা বি.জে.পিগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী অসিনি কুমারন হায়-ভারত্তা কংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা অশোইবা থৌশিল কয়ানা হিরম কয়াদা হৌজিক অৱাবা নুংলিবনি। অদুমওইনমক, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসি লাকপদগী অহোংবা কয়া পুরকপা ঙম্লে। মহাকা হায়- বি.জে.পিগী ওইনদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক জাৎ বিজাৎ খায়দনা মান্নবা থাক্তা থমগনি হায়বসিনি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** আউতর লোক সভা মীখল ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা জিরিবাম জিলাদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং হয়েংদগী মশা মশাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা খোংশানবা হৌরগনি।

জিলা অদুদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অদু য়েংলগা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা থিংনবগীদমক জিলা অদুগী সিমিনা পারিং থীংজিনখ্রে। সিমিনা পারিং থিংজিনবগী থবক অসি ভোট থাদবা হেক লোইদ্রিবা ফাওবা চৎনগনি হায়রি।

**ত্রক(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা হৌখিবা নুমিৎ ৮ নি পোৎ পুবা গাড়ি চেনবা লেপরুরবা তুংদা ঙসিদগী মহৌশাগুম গাড়ি চেনবা হৌরে। ঙসিগী ওইনা পোৎপুবা গাড়ি ১০০ জিরিবামদগী ইম্ফাল তমা থোক্লকখ্রে। অদুগী মনুংদা এল.পি.জি পুবা ত্রক ২৫, পেত্রোল তেঙ্কর ২০, দিজল তেঙ্কর ২০,তঙাই ফদবা পোৎলমশিং পুবা ত্রক ৩০ য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল রোমদগী জিরিবাম তমা অহাংবা গাড়িশিংসু থৌশিনবা হৌরে। নিংশিংবা য়াই থা অসিগী ১৬ লম্বী অসিদা খুৎলায় পায়বশিংনা গাড়িদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী গাড়ি দ্রাইভর অনি য়াওনা গাড়ি কয়া অশোক অপন নংখিবনি।মদুনা মরম ওইদুনা জিরিবামদা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়ি দ্রাইভরশিংনা স্তিয়ারিং পায়দবদগী খোংজং চংশিনখিবনি। অদুমওইনমক সরকারগা ৱারি শান্নবা মতুংদা য়ান্নবা পুরকপদগী অমুক হন্না মহৌশাগুম গাড়ি চেন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইম্ফালদগী গাড়ি ৩৬ লোম জিরিবামগীদমক নোনে লান্থোকখ্রে হায়রি।

**থোং(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী সাপরমৈনা অমসুং কৌব্রু লৈখা অনিগী মরক্তা লৈবা থোং অসিদা হেভি ভহিকলশিং লানবা থিংখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর মহেশ চৌধুরিদনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- থোং অদু হান্নাগুম লান্থোক লাঞ্জিল তৌবা য়ান্নবগীদবমক নিংথিনা শেমজিন্নবা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী টিম থাজিল্লগনি।

পনবা য়াই হায়রিবা থোং অসিদা ঙরাং অহিংদা শক্তি লৈরবা বোম অমা পোখায়রকপদগী অমাং অতা থোকখিবনি। অদুমওইনমক, মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে।

বোম পোখায়বনা মরম ওইদুনা সাপরমৈনাগী য়ুম অমা অশোক অপন খরা নংখি। বোম পোখায়বগী মখোল অদু মোৎবুং অমসুং কাংপোকপী য়ৌনা তাখি হায়রি। বোম অদু কনানা করিগীদমক পোখায়হনবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি, থিজিনবগী থবক চথুরি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেংনবা ব্রেক অমা--(বাবিনা)**

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি লেন্দ অমসুং নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুবদগী য়ুম কৈ কয়া অমাং অতা থোকখ্রে, উ-ৱা কয়া তেকখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি নুংথিল অকনবা নোংচুবদগী য়ুম কৈ কয়াগী জিঙ্গাগী শরুক হুমদোকখিবদগী খুঞ্জা কয়া অৱাবা মায়োকরে। ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়- অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা দোলাং চিরু ভিলেজদা য়ুম কয়া হুমদোকখি অমসুং ফার্ম কয়াদা লেন্দ তাবদগী মনা মশিং কয়ামুরম অমাং অতা থোক্লে। মসিগী মথক্তা উ-ৱা কয়া তেক্লকপদগী মীয়াম মীপায়নখ্রে। জিরিবাম জিলাদসু লেন্দ য়াওনা অকনবা নোংচুবদগী জিলা অদুগী মফম কয়াদা চাউনা অমাং অতা থোক্লে। উ-ৱা অমদি ইলেক্ট্রিক পোস্ত কয়া তেক্কুনা লম্বীদা ফৈজিনবগী মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অকায়বা পীরে, য়ুম কয়া অমসু হুমদোকখ্রে হায়রি। নম্বোল নাওরেম ময়াই লৈকায় অৱাংদসু ঙসি অকনবা নোং চুখিবদগী অমাং অতা কয়া থোক্লে হায়রি। থৌবাল জিলাগী লিল্লোংদসু নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা কয়া থোকখ্রে হায়রি।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কামজোং জিলাগী চসাটতা অকোয়বদা লৈবা খুল ২৫ রোমগী লুচিংবশিংগা পুন্না ফম্মীন্দুনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদ অমগা অমগা মতেং পাংনবগী মতাংদা ৱারি শান্নখ্র। মসিগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ক্লাস ফাইব অমদি ঐথতা সাইনিক স্কুল , মিলিতরি স্কুল অমদি রাষ্ট্রিয়া ইন্দিয়ন মিলিটরি কলেজতা মীংচন্নবা এন্ত্রান্স থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদসু কোচিং পীরি। মসিগা লোয়ননা এ.আর সেন্ত্রেল পুলিস ফোর্স অমদি অগাভির ওইনা থবক চংনিংবা নহাশিংগী ওইনসু প্রি ত্রেনিং পীরি।

অমরোমদ, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উখ্রুল জিলাগী সংসটতা উ- চারা পাক্তকনা থাখ্রে । মদুদা মহৈরোই ১০০ রোম অমদি অকোয়বদা লৈরিবা স্কুলগী ওজাশিং, খুঞ্জাশিংনা শরুক য়াখি।

ককচিং জিলাগী সেরৌদা লৈবা রিলিফ কেম্পদা অসাম রাইফলসনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগী ওইবা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা খুঞ্জা ৩৫ রোম লেমা অনা লায়েং চথখি অমদি মখোয়দা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি কাউশল বিকাস যোজনা (পি.এম.কে.ভি.ৱাই)গী ত্রেনিং লোইরবশিংদা সার্তিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লিবরেল কলেজগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সার্টিফিকেটশিং অদু কলেজ অসিদা চথরকখিবা পি.এম.কে.ভি.ৱাইগী ত্রেদ ৫ গী ত্রেনিং লোইরবশিংদা য়েন্থোকখিবনি। সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মীস্নর এন.জোনসন সিংহ, ত্রেদ এন্দ কর্ম্মসকী জোইন্ত সেক্রেটরি পোলেম লেনিন সিংহ অমদি লিবরেল কলেজগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসর এন. সনজয়শিং শরুক য়াখি।

**দে(এল)ঃ** মনিপুরি জগোই মরুপ লিংখৎখিবগী ৬১ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লম্বোইখোংনাংখোংদা লৈবা মরুপ অসিগী গোল্ডন জ্লি ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা জগোই মরুপ অসি লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ফোতোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। লোয়ননা মনিপুরি জগোই অসিবু লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোপ্পা তোপ্পা মশক অমা তাকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবি থিয়াম সর্জামুখি দেবীদা থীংবাইজম বাবু নিংশিং মনা লান্থোকখি।

থৌরম অদুদা ২০২২-২৩ গী ওইনা উস্তাত বিসমিলা খান যুবা পুরুসকার মনা পীরকখ্রবি শ্রীমতি পুখ্রম্বম রিপা দেবীবুসু তরামা ওকখি।

**ৱার্কসোপ(এল)ঃ** কালাহন্তরিয়া নয়িকা হায়বা হিরমদা থা অমা চুপা চথুরকপা ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন ঙসি ইম্ফালদা লোইশিনখ্রে। সঙ্গিৎ নাতক একাদমি ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা নতা সংগিট একাদমি এন্দ রিছার্স সেন্তর য়াইস্কুল জনমস্থান ইম্ফালনা শীন্দুনা মমাং থাগী ১০ দগী য়াইস্কুল যুমাম লৈকায়দা লৈবা নিত্যাইনন্দ মন্দপতা চথুরকপা ৱার্কসোপ লোইশিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা জে.এন দান্স একাদমিগী হান্নগী দিরেক্তর এল.উপেন্দ্রো শর্ম্মনা হায়-মপিুরগী অরিবা আর্ট ফোর্মশিং য়োকখৎতুনা থন্বা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী তঙাই ফদবা থৌদাংনি। মসিনা রাজ্য অসিবু লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা কালা সংস্কৃতি ঙাকশেন্দুনা থন্বা অসি ঐখোয় পুমমক্কী চাউরবা থৌদাং অমনি।

**কেম্প(এল)ঃ** রাজ্যগী হেলথ দিপার্টমেন্তকী লমজিং মখাদা অরবান্দ হেলথ সেন্তর ক্বাকৈথেলনশিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা সনা-জনমস্থান ক্লব কৈশামথোংদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অনাবশিংবু লেমা তেস্ত তৌবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংবু লেমা পীখি।

**কেম্প-০২(এল)ঃ** থন্বালখোং থৌনা ফবি-ভি.এল.এফ, লাইশ্রম লৈকায় অপুনবা ভি.এল.এফ অমসুং লমদম অদোমগী অশা ৱার্করশিংনা পুন্না শিন্দুনা কোংবা লাইশ্রম লৈকায় চনম লৈথোংদা লৈবা পান্থোইবি কম্যুনিতি হোলদা ব্রেস্ত অমসুং ৱুম কেন্সর লৈ লৈতে খঙদোকবা স্ত্রিনিং কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা কার্কিনোস ইম্ফালগী এক্সপার্টশিংনা ব্রেস্ত অমসুং ৱুম কেন্সরগী মরমদা নুপীশিংদা নিংথিনা ভাবতাহনখি।

**পোলোঃ** চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অথোকপম গন্ধার এলাইস জর্ম্মন মেমোরিয়েল ষ্টেট লেবেল ওপন পোলো টুরনামেন্ত ২০২৪ গী য়েথোক্তুনা লাকপা সেমি ফাইনেল মেটচশিং লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী পুং ১দা হৈঙাংদা লৈবা ইবুধৌ মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা মখা চত্থরগনি হায়না ক্লব অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**স্পোর্টস (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন এ.আই.এফ.এফগী তেকিকল কম্মীতিনা মনিপুরগী লাঙম চাউববু ইন্দিয়ান সেনিয়র ৱিমেন্স নেসনেল টিমগী হেদ কোচ ওইনা হাপবা ফেদরেসন অসিগী জেনরেল বোদিদা প্রস্তাপ তৌখ্রে। ঙসি কম্মীতি অসিগী টেকনিকেল দিরেক্তর য়াওনা আই.এম বিজয়ন্তনা সভাপতি ওইদুনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি । এল.চাউবা কুমসি চহিগী টরকিগী অলন্নিয়াদা পাঙথোকখিবা টরকিস ৱিমেন্স কপতা শরুক য়ারুবা ভারত নুপীগী সেনিয়র টিমগী হেদ কোচ ইচার্জ ওইনা থৌপুখিবসু লৈখ্রবনি। নোনিবালা চনুস্ সেনিয়র টিম অসিগী গোল কীপ্পীং কোচ ওইনা হাপবা কম্মীতি অসিনা প্রস্তাপ তৌখি।

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**সুপ্রিম কোর্টঃ** মীখলদা শিজিন্নরিবা ইলেক্ট্রোনিক ভোত্তিং মছিন (ই.ভি.এম) দা য়াওরিবা ভোট মশিং অদুগা ভোত্তর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিত ত্রেল(ভি.ভি.পেদ)গী পেপর স্লিপ মশিংগা চাদা ১০০ পুন্না থীমিন্নবিয়ু হায়না ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা থাংগৎলকপা ৱাকৎশিং সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

জস্তিস শনজিব খানা অমসুং দিপঙ্কর দত্তাগী বেঞ্চ অমনা হৌজিক চৎনরিবা বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং বুট খরদগী চাউরকা খনগৎপা ই.ভি.এম মছিন ৫ দা রেজিস্তর তৌরিবা ভোট মশিং অদুগা ভি.ভি. পেদকী মশিংগা মান্নবা য়েংবগী মওং অসি হোংদোক্তুনা ভোট থাদরিবা পোল্লিং বুট খুদিংমক্তা ই.ভি.এমগী ভোট মশিং অমদি ভি.ভি.পেদ মশিং থিবিয়ু হায়বগী ৱাকৎ কয়া তাখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা লৈবাক অসিদা চথরিবা মীখলশিংদা অহোংবা কয়া পুরক্তুনা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবগী তঙাই ফদবা অদু ফোংদোকখি। অদুবু ভি.ভি.পেদ মশিং লোয়না থীবা অদুদি হান্নগী পেপর বেলোট শিজিন্নবগী মওং লাকপা অদু য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট খোম্বগী থবক ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইখ্রে।

২) তমেংলোং, উখ্রুল অমদি তেংনৌপল জিলাশিংদা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিং ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রে।

৩) ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা ঙসিদগী মহৌশাগুম পোৎ পুবা গাড়ি চেনবা হৌরে।

৪) মনিপুরদা ঙসি লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুবদগী য়ুম কৈ কয়া অমাং অতা থোকখ্রে,উ-ৱা কয়া তেকখ্রে।

**অমসুং**

৫) ই.ভি.এমদা য়াওরিবা ভোট মশিং অদুগা ভি.ভি.পেদগী পেপর স্লিপ মশিংগা পুন্না থীমিন্নবিয়ু হায়না ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়াগী মথক্তা থাংগৎলকপা ৱাকৎশিংগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা পীবা রাই রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

**--- পাউ লোইজরে---**